# মোদিনা মুল্লায়ম-ময়াৱতি চৈখ্রে, য়ু পিদা বি জে পিবু লৈঙাক পায়হন্নবগী তাঞ্জা পীনবা তকশিনখ্রে



অলাহবাদ, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

বি জে পিগী নেসনল ইগজিক্যুটিব মীফম লোইরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশতা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিবু চৈখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, উত্তর প্রদেশকী মতেংদগী লৈবাক অসিদা মপুং ফাবা মেজোরিটি ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙম্লে। অদুবু আসামগী মতৌগুম ষ্টেট অসিদসু অহোংবা অমা পুরকপা মথৌ তারে। শেঙ্গা-থুমজা অমসুং অচান-মীরাই নাইবগী থৌওংনা ষ্টেট অসি লৈখা তানা মাঙহল্লে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা বি এস পিনা উত্তর প্রদেশতা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা সমাজৱাদি পার্টিনা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা গভর্ণমেন্ট অদুগী অশোয়বা পুথোক্লবা হোৎনখি। অদুবু থোইনা কানবা ফংখিদে। হৌজিক্না অমুক সমাজৱাদি পার্টিনা গভর্ণমেন্ট পায়রবা মতমদা বি এস পিনা গভর্ণমেন্টকী অশোয়বা পুথোক্লবা হোৎনরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা বি জে পিবু গভর্ণমেন্ট পায়হন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা পীবা মথৌ তাই।

শেঙ্গা-থুমজা অমদি মীচং-মীখাই নাইবগী থৌওংনা নোংমা নোংমগী ফীভম শোকহল্লবা ষ্টেট অসিবু কনবা পামই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট পায়বা তারবদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মপুং ফাবা লৈঙাক অমা লৈহনবগা লোয়ননা শেঙ্গা-থুমজা মুথুৎকনি। বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট পায়বা ষ্টেট খূদিংমক্তা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌবগুম ষ্টেট অসিদসু মীয়ামগী অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনগনি। গুজরাট, ঝরখন্দ, রাজস্থান অমদি ছতিসগরনচিংবা পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা ষ্টেট খরগী মমিং মহাক্না খুদম ওইনা পনখি।

মমাঙদা নেসনল ইগজিক্যুটিব মীফমদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী লূচিংবা অরুন জেটলিনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমখি। মীয়াম্না পার্টি অসিদা থাজবা থল্লকপদগী গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমখিবনি। মীয়ামগী থাজবা অদু অরেম্বদা খক তাহল্লোই।

অমরোমদা, নেসনল ইগজিক্যুটিবকী মীফম য়াওবা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা চন্দ্রশেখর অজাদ পার্কতা চত্তুনা চহী ৮০ রোমগী মমাঙদা বৃটিশকা লান্থেংনদুনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা লূচিংবা অসিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

কুমজা ১৯৩১গী ফেব্রুৱারী ২৭তা য়েক্লবগী মখুৎ চন্দনবনি হায়দুনা মশাগী চহী ২৭ শুরবা অজাদনা মথন্তা থৱায় থাজখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি) অমসুং সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস (সী বি ঈ সী)গী সিনিয়র টেক্স এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগা উনদুনা মপান লৈবাক্তা থৈদোকখ্রবা লৈবাক অসিগী ব্লেক মণি পুরক্লবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে।

ইন্দিয়ন রেভিন্যু সার্বিসেস (আই আর এস)কী সিনিয়র ওফিসর অমনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা সিনিয়র টেক্স এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী মীফমদা শরুক য়াবা হন্দক্না অহানবনি। মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা লৈরিবা ব্লেক মণি পুরকপগী মতাংদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পূক্নিং চঙবগী থৌওং অদু উৎলদুনা মীফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক শরুক য়াবনি। সী বি দি টি অমদি সী বি ঈ সীগী ওফিসলশিংনা মতৌ অসুম্না পুন্না মীফম পাঙথোকপসু হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

ওফিসল অদুনা হায়খি, রেভিন্যু সার্বিসেসতা মেনপৱার অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপদগী মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মণি পুরক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

বোর্দ অনীগী অপুনবা মীফম অদুদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিসু শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু মশানা য়ানা টেক্স থিহন্নিংনবগী পান্থে অমা পুথোক্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নর, চীফ কম্মিস্নর অমদি প্রিন্সিপাল কম্মিস্নর থাক্কী ওফিসর ২৫১না শরুক য়াখি। মপান লৈবাক্তগী ব্লেক মণি পুরক্লবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা অখন্নবা মরী থম্নবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

# বিহারগী মেরিট লিষ্ট কেসতা চেন্নবা মীওই অনী'মগসু ফারে



পত্না, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

মীচেন ওইনা লৈরিবা বিহার স্কুল ইগজামিনেসন বোর্দ (বি এস ঈ বি)গী চ্যেরমেন লালকেশ্বর প্রসাদ সিংহগা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্বা মীওই অনী'মগসু ষ্টেট ইন্টরমিদিয়েট ইগজামিনেসন স্কেন্দলগা মরী লৈননা ফারে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মনো মহারাজনা পাউমীশিংদা হায়খি ইন্টরমিদিয়েট ইগজামিনেসনদা মার্ক শেমদোক্লম্বগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অনী অদুদি পত্না কোলেজগী এদহোক লেকচরর অজিৎ শক্তিমান অমসুং সংস্কৃত শিক্ষা বোর্দকী শন্দিপ কুমার ঝানি। মীওই অনী অসি থারগা মার্ক শেমদোক্লম্বগী ৱাথোক্তা চেন্নবা মীওই পুন্না নিপান ফাবা ঙম্লে।

ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নরিবা বচা রাইদি থাংজ নুমিৎতা ভাইশালি দিষ্ট্রিক্টকী ভগৱানপুর পুলিস ষ্টেসন্দা সরেন্দর তৌরকখ্রবনি।

অজিৎ অমসুং শন্দিপনা লালকেশ্বর সিংহগী এজেন্ট ওইনা থবক তৌদুনা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থবক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

মখোয় অনী জে দি (য়ু)গী এম এল এসু ওইরম্বা লালকিশ্বর সিংহগী লোয়নবী উশা সিনহাগা তোয়না পাউ ফাওনখি হায়বা খঙলে।

ৱাথোক অসিবু থিজিল্লিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমগী মকোক মনো মহারাজনা হায়খি, অজিৎ অমসুং শন্দিপনা বিহার ইন্টরমিদিয়েট ইগজামিনেসনদা খুৎ থিংজিনবগা লোয়ননা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌই হায়বা মশানা য়াজরে। ৱাথোক ওইরবা বিশুন রাই কোলেজগী সেক্রেটরি কম প্রিন্সিপাল ওইরিবা বচা রাই ভগৱানপুর পুলিস ষ্টেসন্দা চঙজরকপদগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারে।

অমরোমদা, বিহার স্কুল ইগজামিনেসন বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরম্বা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহগী লোয়নবী উশা সিনহানা পায়রিবা দিগ্রীগী সার্টিফিকেট অদু অশাবনি হায়বা খঙনরক্লে।

ক্লাস টুৱেল্বকী ইগজামিনেসন্দা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌবদা মপুং ওইনা চেনৈ হায়রিবা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী উশা সিনহা মীচেন ওইনা লৈরিবনি।

বিহার পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম্না মখোয় অনী ফানবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

কুমজা ২০১০দা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিটতা মশাগী চহী ৪৯ শুরবী উশা সিনহানা বিহার এসেমব্লিগী ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইখিবা মতমদা কুমজা ১৯৭৬তা অৱাধ য়ুনিভর্সিটিদগী মাষ্টর দিগ্রী পাস তৌরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু অৱাধ য়ুনিভর্সিটিদি কুমজা ১৯৭৫দা লিংখৎখিবনি। মদুগী মথক্তা উশা সিনহানা চহী ২ তমগদবা এম এবু চহী ১দা লোইশিনখিবগী খুদম ফংখি।

# ফোদর স্কেম : আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদ কোর্ট কারকখ্রে



রাঞ্চি, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

লুপা ক্রোর কয়ামরুমগী ওইগদবা শজিক লৈবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জি দি)গী লূচিংবা লালু প্রসাদ য়াদব সী বি আইগী স্পেসল কোর্টতা কারকখ্রে।

অরানবা মওংদা দমকা ট্রেজরিদগী লুপা ক্রোর ৩.৩১ শজিক লৈবগা মরী লৈননা লৌথোকখি হায়বগীদমক জুন ২দা কোর্টনা মীওই ৩৮ মশা লাক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নে হায়রিবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদ য়াদবনা ঙরাং নুংথিল পত্নাদগী রাঞ্চিদা থুংলখি।

শজিক লৈবগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবরদা লালু প্রসাদ য়াদবপু সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা কনভিক্সন পীখিবগা লোয়ননা চহী ৫ কৈশুমশঙদা থম্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মহাক হৌজিক বেলদা লৈরি।

অমরোমদা, বিহার গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দরি দিরেক্টোরেটতগী মাঙখিবা ফাইল ৫০০ রোম অদু শজিক লৈবগী ৱাথোক্কা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা বি জে পিনা য়াখিদ্রে।

বি জে পিগী সিনিয়র লিদর সুশিল কুমার মোদিনা হায়খি মদুদি, এনিমেল হজবেন্দরি দিরেক্টোরেটতগী মাঙখিবা ফাইলশিং অদু ফোদর স্কেমগা মরী লৈনবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা সী বি আইবু মপুং ফানা থিগৎহনগদবনি।

ফোদর স্কেমগী মতাংদা কোর্টনা হিয়ারিং চথুরিবা মরম্না হুরানখ্রবা ফাইলশিং অদু ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা, বিহার গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, ফোদর স্কেমগা মরী লৈনবা ফাইল পূম্নমক মাঙজৌননা সী বি আইদা শীন্নখিবা মরম্না হন্দক মাঙখ্রে হায়রিবা ফাইলশিং অদু ৱাথোক অসিগা মরী লৈনদে।

এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টর অৱদেশ কুমার সিংহনা হায়খি, মাঙখ্রে হায়রিবা ফাইলশিং অদু কুমজা ১৯৯৭তগী কুমজা ২০০১ ফাওবদা থবক্তগী পোথাখিবা, পেন্সন ফংখিবা অমসুং দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা অতৈ ফাইলশিংনি।

সুশিল কুমার মোদিনা হায়রিবদি, এপ্রিল ২৬তা মাঙখিবা ফাইল অদু গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ৪নি লৈরগা এপ্রিল ৩০দা খঙহল্লকখি। মতৌ অসুম্না নুমিৎ খরা লোৎশিন্নবা হোৎনখিবা থৌওং অদুদগী মীওই খরনা লৌতুনবা য়াওরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

মহাক্না হায়খি, ফাইল মাঙখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৬নি লৈরগা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। নুমিৎ ২২নি লৈরগা পুলিস ইন্সপেক্টর অমনা ফাইল মাঙখিবগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না ৱাহং-পাউহং চথুখি। পূম্নমক অসিদগী নিতিশ কুমারনা লূচিংবা বিহার গভর্ণমেন্টনা লালু প্রসাদ য়াদবপু কনখৎনবা হোৎনরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

কুমজা ১৯৯০গী পরিংদা লালু প্রসাদ য়াদবনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা অরানবা পান্থে শীজিন্নদুনা এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টতগী লুপা ক্রোর ৯৫০ শজিক লৈবগী মিংদা লোন্না লৌথোকখিবগী ৱাথোক অমা থোরকখিবনি।

# চাইনিজ লান্মী ২৫০ অরুনাচল প্রদেশতা চঙলকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

চাইনাগী লান্মী ২৫০ রোম অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টতা লোন্না চঙলকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, হৌখিবা জুন ৯দা পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী লান্মী ২৫০ রোম কাঙলূপ মরি থোক্না খায়দোক্লগা অরুনাচল প্রদেশতা লোন্না চঙলকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়র্স গ্রুপ (এন এস জি)গী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা বৈজিংনা অথিংবা পীরক্লিঙৈগী চৈরক্তা চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ লানশিন্দুনা অরুনাচল প্রদেশকী য়াংজে রিজন্দা লোন্না চঙলকপগী থৌদোক খঙলকখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী ওথোরিটিশিংনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, পি এল এগী লান্মী ২৫০ রোম কাঙলূপ মরি থোক্না খায়দোক্লগা অরুনাচলগী ইষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টতা চঙলকখি। হায়রিবা মফম অদু মতম কয়াগী মমাঙদগী চাইনানা মখোয়গী শরুকনি হায়না ক্লেম তৌদুনা লাকখিবনি। চাইনিজ লান্মীশিং অদু চাউরাক্না পুং ৩ লোম মফম অদুদা লৈরম্লগা অমুক হন্না ঙমখৈ লান্থোক্তুনা চৎখিরমই।

মরকসিদা, ইন্দিয়ন আর্মিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনদুনা কমপ্লেন্ট তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

মালেমগী ওইনা ন্যুক্লিয়র ট্রেদকী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লিবা মেম্বর ৪৮না শাবা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়র্স গ্রুপতা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টাননা অনৌবা মেম্বর ওইনবা থৌরাং লৌখৎলকখি। থৌরাং অদুদা মেক্সিকো, ইটলি, স্বিটজরলেন্দ অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্দিয়াবু শৌগৎলকখ্রবসু চাইনানা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লেপখি।

থৌওং অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মপুং ফাবা মেম্বর অমা ওইনবা হোৎনবদা খুরৌ থাংবা থোকখি।

মরকসিদা, চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, জুন ৯দা পাঙথোকখিবা এন এস জিগী মীফমদা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিনবগী ৱাফম খন্নবা লৈখিদে। সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা ইন্দিয়াবু মেম্বর ওইনা লৌশিনবা নৎত্রগা লৌশিন্দবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি হায়রি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইন্দিয়াবু এন এস জিগী মেম্বর ওইনা লৌশিনবদা য়ানিংদ্রিবসি চাইনা মথন্তা নত্তে। সাউথ অফ্রিকা, টর্কি, আইরলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রিয়ানচিংবা লৈবাক কয়াসু ইন্দিয়াবু এন এস জিগী মেম্বর ওইহন্নিংদে হায়রি।

অমরোমদা, পাকিষ্টানসু এন এস জিগী অনৌবা মেম্বর অমা ওইনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈরিবনি। মমাঙ চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মেক্সিকো অমদি স্বিটজরলেন্দদা চৎলুবা মতমদা লৈবাক অনী অসিনা ইন্দিয়াবু এন এস জিগী মেম্বর ওইনা য়াওহনবদা সপ্পোর্ট তৌবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

অরোইবা পুংফমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু ইন্দিয়াবু এন এস জিগী অনৌবা মেম্বর ওইনা য়াওহন্নবা হোৎনবদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# 'পন্দিত য়াওদনা কাশ্মীর মপুং ফাদে'

তুল্লা মুল্লা, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হায়খ্রে মদুদি, কাশ্মীরি পন্দিতশিংবু মতম পুম্বগী ওইনা তম্পাক্তা হল্লকপা য়ানবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তারে।

কাশ্মীরি পন্দিতশিং য়াওদনা মপুং ফাবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ওইহনবা য়ারোই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিদা মপুং ফানা থাজবা থম্বীবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পন্দিতশিংনা তম্পাক্তা অমুক হল্লক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই।

শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ২৫ লাপ্না লৈবা মতা খির ভৱানিগী লাইশঙদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মেহবুবা মুফতিনা হায়খি, পন্দিতশিংনা মশাগী মফমদা অমুক হল্লকপা য়ানবগীদমক মীওই ফুরুপ অসিগী ৱাখল্লোন্দা মপুং ফানা থাজহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা পন্দিতশিংবু ট্রান্জিট কেম্পতা পুরক্তুনা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্নহনগনি। মতম অদুদা পন্দিতশিংগী ৱাখল্লোন্দা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাং পূম্নমক মপুং ফানা থাজবা পোক্লকপগা লোয়ননা মশাগী মরমদমদা শোয়দনা হল্লক্কনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পন্দিতশিংনা তম্পাক্তা অমুক হল্লকপা য়াদে হায়বা নত্তে। অদুবু মীওই ফুরুপ অসিগী ৱাখল্লোন্দা মপুং ফানা থাজহন্নবা হান্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

পনবা য়াবদি, চহী খূদিংগী খির ভৱানি লাইশঙদা হেক হেক পাঙথোকপা থৌরম অমদা তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি।

চহী অসিগী ওইনসু হন্দক পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং মরু ওইনা কাশ্মীরি পন্দিতশিংনা শরুক য়ারি।

মুম্বাইদগী লাকপা পি এন শঙ্গলি কৌবা মীওই অমনা হায়খি, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খির ভৱানি লাইশঙদা লাক্তুনা শঙ্গোম অমদি খির কৎপগী থৌরম অসিদা কাশ্মীরি পন্দিতশিংসু মপুং ফানা শরুক য়াবা ফংনবা হোৎনবা মথৌ তাই। হন্দক্তা থৌরম অসি য়াওবা লাকখিবা পন্দিতশিংদা নুঙনা লংশিনবগী থৌদোক অমা থোকখিবদু লাইবক থীবনি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X Starts 9th June 2016
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Starts 9th June 2016 Limited Seat

TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

Time 4:30 pm to 7:30 pm

TOPPERS of 2015
2nd Position Gopal Krishna
3rd Position Ng. Victoria
4th Position S.Shivaranjani
7th Position RK. Babysana
9th Position Kah. Monica
11th Position Thangminlal H.
20th Position Bilson Oinam
21st Position Gita E.
21st Position S. Saya Devi
22nd Position N. Nonibala
23rd Position Jasmine H.

TOPPERS of 2014
3rd Position Luhiya Ng.
6th Position Neera S.
9th Position Khoneesh N.
9th Position Harison Y.
12th Position KAILASH KUMAR N.
13th Position L. DENILSON
16th Position KH. PRAVIN
18th Position BONNIE W.
20th Position KELVIN M.
21st Position MALEMNGANBA
23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS of 2013
1st Position Miranda M.
3rd Position Ratimanjuri
5th Position Miranda O
6th Position Sydeny Th.
14th Position VIVEK A.
15th Position REMA N.
16th Position SADA SALAM
16th Position CHITRA KH.
22nd Position BIDYALUXMI
24th Position JAYALUXMI
24th Position PRESCILA RK.

SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics
1) Chetanna
2) Vasundhara
3) Sindia
4) Sohana
4) Wosoron
5) Yaisana
Hr. Mathematics
1) Ningthem
2) Sohana
3) Wosoron
4) Yaisana
Computer Sc.
1) Chetanna
2) Jyotsana
Manipuri
1) Sohana
El. Manipuri
1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
8732022342

HL-B/3106/31 May, 1 to 24 June

DYNAMIC COACHING CENTRE (DCC)
SDJM Higher secondary school, Imphal
Wahengbam Leikai near Bheigo Hotel
TRUSTED BY THOUSANDS
ADMISSION OPEN
Class-XI-XII Science & Arts
SUBJECTS
Physics
Chemistry
Biology
Maths
History
Geography
Pol. Sceince
Economics
Education
Form Available at Coaching Centre
Time: 05:00 am to 08:00 am.
10,000 only for complete course
Class commencing of XI from 16th of June 2016 (Thursday) and XII Science & Arts class in going on, come & Joint Direct without delay
HL-P/8753/1 to 15 Jun
For more 9774145870/9774031929/9856190857

CAS Centre for Advanced Studies No.1 in Manipur
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
CONGRATULATION to All CASIAN Toppers for HSLC & HSSLC Exam, 2016
ADMISSION OPEN (New Batches)
CLASS - XII, CLASS - XI & CLASS - X
New Batches Class Commencing from 13th June, 2016
Morning Batch (4.45-7.45) A.M.
Evening Batch (4.30-7.30) P.M.
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.
Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/3121/2 Jun to 2 Aug (Alt)

অমাংথোঙ শৌজদা তিল চাবা হোবা, অমাংথোঙ শৌজদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা ফহনবগী ওজাবু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা নাদুনা নাই চাবা, খ্বাঙ নাবা, খুৎ চিকপা, অমাংথোঙ শৌজদা তিল চাবা, হোবা, অমাংথোঙ শৌজদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা তৌরম্বা অদু **এম দি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐ হৌজিক ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুঙ ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা ঈশ্বরগী মফমদা থাগৎচরি।

Mayang Imphal Konchak Bazar : 7.00 am to 12.00 noon.
Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm
থাগৎচরিবা : Laikhuram Bijen Singh Athokpam.
HL-B/3129/08/06-07/07

লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3123/06-2/07